মতম মতমগী ৱাফম

# পার্ফোমিং আর্ট ওইনা লমদমসিদা মাইম / পেন্টোমাইমগী মফম







ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনা মখল মখা কয়াগী অপীকপদগী হৌরগা য়াম্না চাওবা মখল ফাওবগী আর্টফোম কয়া লৈজরকই। হান্না লৈজরম্বা লমদমসিগী ওইবা আর্টফোমশিংদি মশীং য়ামদে। অথেঙবদা আর্টফোম মখল কয়া লমদমসিদা পুশিল্লকখি। মপানগী মীওইশিংনা উৎপা উরকপদগী অমদি মীরমদা চৎলগা তম্লুবদগী ঙসিদি তোঙান তোঙানবা আর্টফোমশিংদা হৈথোই শিংথোইরবা আর্টিষ্টশিং, ওঝাশিং লৈরে। মণিপুরী মচানা মপান লমগী আর্টশিংবু খঙলু তম্লুরগা মণিপুরদা মদুগী উৎফম, শান্নফম লৈতবদগী মীরমদা চৎলগা আর্টিষ্ট ওইনা লৈখিবা কয়া অমসু লৈখি। অনৌবা মীরোলনা অমুক মখোয়না তমজরকপা উরকপা মপাল লমগী আর্টফোমশিংদা, লমদমসিগী ওইবা মখোয়না হান্না খঙজখিবা আর্টফোমশিংগা য়ানশিন্নদুনা নাচোম ওইনা শেম্বা মখলগী আর্টসু লৈরি। আর্টফোমশিং অসিমক্তবু অমগা অমগা লৌথোক লৌশিন, পুথোক-পুশিন্দি মওং খরদা অদুম তৌনৈ। তৌবতবু, হকথেংননা হেকমক শিন্দোকপা নৎত্রগা মতৌ তম্বা নৎতবা, ৱাখলদগী শাগৎলকপা মওংনা নৌনা পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বা ৱাফমসি লাকপদা মী মীদুগী পীথোকলকপা, হৈশিংবা চঙই। মসিনি ঐখোয়না তান্নরিবসি। হায়রিবসি মশাগী ক্রিয়েটিব আইদিয়া লৈজদবশিংদদি অরুবা অমনি। অখঙ-অহৈ ওঝাশিং তান্নবা তারকই, হেন্না খঙনবা নৈনবা মথৌ তারকই।

মণিপুরদা চৎনরম্বা আর্টফোম মখলশিং অসি অয়াম্বনা লাইনিং লাইশোনগা মরি লৈনরকই। মান্দপ্তা শান্নবা, য়ুমগী মাঙ্গোল শুম্মাং, শঙ্গোয়দা পাংথোকপা কুম্মৈ অমদি লম্পাক, লম্মাংদা শান্নবা কুম্মৈ মখল মখলনি। ফম্বাক ওইনা ষ্টেজদা শান্নবা লমদমসিগী অঙনবা মতমগী ড্রামা কয়া লৈখি। মীয়াম্নসু মতম অমদি কন্না য়েংনখি। মণিপুরদা অঙনবা মতমদা উৎনরম্বা, শান্নরম্বা কুম্মৈ মখল খরা- পেনা ফমশক, খোংজোম পর্ব্ব, মোইরাং শাই ঈশৈ, মনোহরশাই ঈশৈ, ৱারী লীবা, লাইরিক থীবা-হায়বা, মোইরাং পর্ব্ব লীলা, শুম্মাং লীলা, গোষ্টা লীলা, উদুখোল, ষণ শেনবা, পাসখেলা অসিনচিংবশিং অসিনা তপ্না তপ্না মতমগী মতুংইন্না মরায় চায়থখি। হৌজিক উবা ফংলিবা খরসি মতম অমা শাফু কন্না উৎনরম্বা অদুগী মশুং অমা ফানা উৎনবা নৎত্রবনি। অমুক হন্না উগে নৎত্রগা তাগে হায়বদা ফংলরোইদবা কয়া য়াওরি। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী লোয়শঙনা, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা ইন্টেঞ্জিবল অমদি টেঞ্জিবল হায়দুনা হিংহন্নবা অমদি য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরগসু পুখৎতুনা থবক্তা ওন্থোকলকপদা থৌ ইপাং-পাংনা চৎতে। লম অসিদা খঙ-হৈরবা ওঝা গুরুশিংদি নোংমা নোংমগী লৈশিল্লক্তবনা মতুং তারকপদা খঙগে ফংগে তাল্লকপদা ঙমদনা মাঙখিবনা হাল্লগনি।

হৌজিক ঐখোয়না মপুংদা উন্নরিবা আর্টফোমশিং অসিগী শরুক য়াবীরিবা মীওইশিংগী ওইনা তোঙান্না হৈ-শিংবা, জগোয়- ঈশৈদা, লীলা-ড্রামাদা, অয়ৈ-অখোংদা পীথোকলকপা গুণনা লম অমমগী ওইনা শিংথবা য়াবা কয়া মশাগা লোয়নদুনা লৈরি। মীনা য়েংনবীদ্রবা, শান্ননবা হায়বীরদ্রবনা অরেম্বা তাদুনা লৈরি। অহল - লমন, ওঝাশিং অসিনা মতম অমা মপান ফরিঙৈদা লৌরম্বা থৌদাং অদুনা মণিপুরবু মশক তাকলমখি। মখোয়গী ফিদা চাওনা ফংলমখি। অনৌবা চহী অমমম লাকপদা মরোল মরোল ননশিনবীখিদুনা হান্নগী লমদমসিদগী অরিবা আর্টফোম খরদি চিনবুং ৱারী ওইনা লৈহৌগদৌরি। মখোয়গী ওইবা আর্কাইভস লমদমসিদা লৈতে। ওঝাশিংনা থুপখিবদা মহৈশিং অদুম লোইনখিগদৌরি। আর্টফোম খরদি খুঙ্গংশিংদা, লোইজি লোইয়াদা লৈরি। ঐখোয়নসু য়ৌশিন্দুনা থিরুবা ঙমদে, মখোয়নসু হায়রদে, তাক্লদে। হায়রদবা তাক্লদবদি নত্তে, ঐখোয়না তাবীবা য়েংশিনবীবা ৱাৎপা থিজিনবীদবননি হায়জনিংঙি।

হৌজিক হিংলিবা আর্টফোম খর অসিদি লাইনিং-লাইশোল, পোকপা শিবগী থৌরমশিংগা মরি লৈননা পাংথোকপা খক্তনি হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মণিপুরী সংকীর্ত্তণ, নাৎকী ঈশৈ-থৌনী অসি অয়াম্বনা লাইনিং-লাইশোল, পোকপা শিবগী থৌরমশিংদা মরুওইনা মফম কল্লি। মসিগী মশা মরেং ময়াম অমা তোঙান্না খায়দোক্লগা শরুক য়াবা, উৎপা য়াবা কয়া লৈজরি হায়বা ঐখোয়না কাওথোক্লরে। খোংজোম পর্ব্ব হায়না খঙনরিবা অসিদা নিংথৌরোল শৈশক পরিং, কংলৈগী, মোইরাংগী অমদি অতৈ অতৈ থৌদোক ৱারী কয়াগী মশা মরেংশিং ঈশৈ ওইনা শক্লরম্মী। খুল্লং ঈশৈ নৎত্রগা খুন্নুং ঈশৈগী ফজবা, হৈরোল লৈরোল থারকপা, লম্মীৎলোনগী অৱায়-অখুমগী শৈথানবা শৈশক পরিং ঙসিদি মমি শামলক্লি। হৌজিক্ল া মওং অমদা পুথোক্লদুনা অনৌবা আর্টফোম অমদা চাংয়েং তৌনরক্লি। পেনা ফমশক ঈশৈ লীশাং শিংনা শকপা ঙম্বা, পেনা শকপা মশীং খুৎ থেকপা য়ারক্লি। শুম্মাং লীলাগী, ফম্বাক লীলাগী অহল-লমনশিং তপ্না তপ্না কাওথোক্লরক্লি। মীয়াম্বু নোক্তুনা নুংঙাইহল্লম্বা ফাগী পুবা লীলারোইশিং মশীং থীবদা লৈরকত্রে। হৌজিক খ্বাইদগী লুবা মেনশিনবদা ঙল্লরোইদবা আর্টফোম অমা হায়রগদি অঙনবা মতমদা মপাঙ্গল কন্না লৈরম্বা, মীয়ামবু নোকহনবা ঙম্বা লীলা মখল অসিনি। মীবু নোকহন্নবগী তম্ফম মহৈশঙ লৈতে। ঐখোয়গীদি ইলায় লায়না মীবু নোকহনবা ঙম্বা ফাগী হৈবা অহল লমন লৈরমখি। মখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিবসি ঐখোয়গী পার্ফোমিং আর্ট মখল অমগী চাউনা মাঙজবনি।

মপাল লমগী ওইরগসু তাঙনা ফংবা মহৈ অমা লমদমসিগী মীওইশিংগী মরক্তগী মপান লমদগী আর্টফোম **মাইম প্লে** হায়বা অমা লৈ। হায়রিবা আর্টফোম অসিগী আর্টিষ্ট অসি অতৈ আর্টিষ্টশিংগা খেন্নবা খর লৈ। মশীংসু তাংঙি। মণিপুরদা থিয়েটরগী কাঙলুপ য়াম্না লৈ অদুগা থিয়েটর মখল অমা ওইনা শান্নবা মাইম প্লে তৌবদি **কংলৈ মাইম রিপারটোরি থিয়েটর** হায়বা য়ূম্নাম সদানন্দনা লমজিং লমতাল্লগা পুথোকপা ইম্ফালগী য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবা অসিখক্লা হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরী মায় ঙাক্লি। মসি মণিপুরদা অনৌবা থুংলবা আর্টফোম অমনি হায়বা তায়। ইনি দয়াগী ওইনসু অতৈ থিয়েটরগুম্না মশীং য়ামদে। মীয়াম্না কাওনখিবা অমদি লৈরি মদুদি **মাইম প্লে** হায়রিবা আর্টফোম অসিগী আর্টিষ্ট খরা, য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদা ঐখোয়গী লক্তা লৈখি। তৌবতবু মণিপুরদা ঙসি ৱাই. সদানন্দনা লীংখৎচরিবা **কংলৈ মাইম রিপরটোরি থিয়েটর** অসিগুম্না মপাঙ্গল কন্না লৈখিদবনা মীরমদা চৎলগা আর্টিষ্ট অমা ওইনা মতম শাংনা লৈখিবা ঙাক্তনি। মাইমগী আর্টিষ্ট অনীখক- ঙাঙোম স্বর্ণচান্দ, নাগমপাল কাংজাবী অমদি ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকাই, ইম্ফাল ওঝা অনীসি মতাংসিদা মিং পনবদা মতীক চায়। ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মনা **মাইম প্লে** অসিবু মৈতৈলোন্দা **ঈঙ্গিৎ কূম্মৈ** হায়না হন্দুনা লাইরিক ফাওবা ফোংদোকখ্রে। মতম অমগী অহল লমন অমদি মীওই খরদি পঞ্জরিবা মাইমগী ওঝা অনীসিগী পারর্ফোমেন্স উবীহৌবা নৎত্রগা থেংনবীরম্বা য়াওবীরমগনি। অঙনবা মতমদা মখোয়না তৌজখিবা মাইমগী আর্ট এক্তিং অদুগা ঙসিগী মীরোলনা অমদি হৌজিক উৎনরিবা অসিগা মরক্তা খেন্নবা খরসু লৈগনি। খেন্নবা লৈরগসু মখোয়না করম্বা মওংদা, খুপুথোক্তা উৎখিবগে হায়বসিমদি নীংশিংমিন্নবদা মায়-মিৎ ওইগনি।

ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মা, অঙনবা মতমগী মীয়াম্না শোন্নখিবা কোয়না চৎতুনা উৎপা টুরিং থিয়েটরগী আর্টিষ্টনি। টুরিং থিয়েটর হায়রগদি মীয়াম্না খঙনখিবসি ইকায়খুম্নজরিবা ওঝা অহল ইবুংঙো এলাংবম জয়চন্দ্রনা হৌদোকপীখিবা **‘মণিপুর নেস্নেল টুরিং ড্রামা,** ময়াম্না **জয় ড্রামা** হায়রগা খঙনখিবা অসিনি। হায়রিবা টুরিং থিয়েটর কাঙলুপ অসিগী ম্যুজিক্কী সেক্সন্দা বাশি খোংবা অমা ওইনা অহানবা য়াওরকখি লোয়ননা মতম শাংনা য়াওরকখি লোয়ননা অহল ইবুংঙো এলাংবম জয়চন্দ্রগী লমজিং মখাদা ইনি দয়াগী মফম শীনবা থুংনা চৎলকখি। মতুং তারকপদদি ড্রামা কয়া কূমদুনা মরুওইবা শক্তম ফাওব লাংদুনা কূমখি। খোঙচৎশিং অসিনা ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মগী তুংগী পূন্সিদা মাইমগী মশক নাইবা আর্টিষ্ট অমা ওইরক্লবগী অহানবা মরু-ইহুল তমলকখি। ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মা, ১৯৪৩দা ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকাইদা, শ্রীহঞ্জবম ঁনন্দ শর্ম্মগী মপারি ওইনা তাইবং ফাওরকখি। হোৎনবা লেপলকখিদে মসিমক্লা ১৯৬৭তা শোং এন্দ ড্রামা, নিউ দিল্লিদা লৈবা অসিগী সেলেক্সন ফংদুনা অমার্দ ফোসেস্ট এন্টরটেনমেন্ট ৱিং মখাদা থবক ফংখি। মফম অসিদা থবক তৌরুবদগী ঐগ্যগী মাইওল অসি তশেং তশেংলে, থাংজিনখিবা খোংথাংসি মতম অদুদা পুমনৌ নৌখিবা অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা অতাঙবনি মালেমগী ওইনসু খুৎ থেকপা য়াখিবা অমনি। ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মনা **টোমস পেন্টো মাইম** হায়না মিংথোন্দুনা উৎপা হৌরকখি। হায়রিবা আর্টফোম অসিমক্তি জর্ম্মণদা অহানবা উৎপা হৌরকই, মথংদা রশিয়ানা বেলেদকী মওংদা উৎলকখি। ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মনা শোং এন্দ ড্রামাগী আর্টিষ্ট ওইনা নিউ দিল্লিদা লৈরিঙৈদা মাইমগী তোপ তোপ্পা আর্ট এক্তিং অসি থেংনখি। হৈনিংবা, খনিংবনা লাংতক্লদুনা অচিনবা মতম কাইথোক্তুনা লাইরিক পাদুনা অমদি ৱাখলনা শাগৎচদুনা মাইম তৌবা হৌরকখি। ঐগ্যনা তৌরিবা আর্টফোম মওং অসি **পেন্টো মাইম কৌই** হায়না ঐগ্যনা তাকপি। কুমশীং ১৯৭৩দা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা অখন্নবা শো উৎখি। উৎখিবা মওংদি থৌরিবা কারগী মথক্তা লেপ্লগা মখল মখলগী আর্ট এক্তিং তৌবনি। উৎলিবা মওং অসি ঐগ্যনা শেমজবনি। অসিগুম্বা মখলগী আর্ট অসি ইন্দিয়াদদি ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বী শর্ম্মনা অহানবনি হায়বা ৱাফমসু লৈখি। ঐগ্যনা উৎলিবা মওং অসি অনৌবা আর্টফোম অমা ওইবনা ইন্দিয়াগী মফমশিনবা থুংনা উৎলকখি। দিল্লিগী লালকিলা গ্রাউন্দদা, নেস্নেল দিফেন্স কলেজগী অখন্নবা ফঙ্কসন্দা ইয়ার মার্সেল কুলকার্নিনা বার্ত্তণ তৌদুনা কুমশীং ১৯৯৩দা মীয়য়াম তিনবা মফমদা কারগী খোঙজেল স্পিদ ৬০গী মথক্তা থৌরগা কারগী মথক্তা **পেন্টো মাইম** উৎখিবদা অঙকপা অমা ওইনখি । মাইম হায়বসি আম্বনা নাইতোম উৎপা ঈঙ্গিৎ কূম্মৈনি। আর্টিষ্ট খরা য়াম্না গ্রুপ ওইনা উৎপসু য়াই। থৌদোক ৱারী খুদিংমক মাইমদা অমদি পেন্টো মাইমদা উৎপা য়াই। অয়াম্বনা অতেনবা নুংঙাইবা, নোক্লিংবা ৱারীদনা হেন্না শাগৎলি। অশেঙবা পোৎচৈ (প্রোপর্তি) য়াওদনা য়াওবা শাদুনা মালহনবনি। ঐগ্যনা খুৎলোইনা তৌখিবা খরদি- হুরানবা চঙবা, ফক্লাং নপ্তুনা কাবা, ইমুংদা চঙদুনা অমম্বদা মৈখেৎ খেৎপা, ইমুংদা মী চঙলকপদা মচিন মেন্দুনা পুনশিনবা অদুগা পোৎ লৌরগা চৎখিবা অসিনি। অতোপ্পা অমনা-ওফিস কানবা বস ঙাইবা, বস তোংবা ফংহৌদদুনা তান্নবা, খোঙনা ওফিসতা লাকপা, ওফিসারনা ঙাঙগনি হায়না পাখৎনা টাইপ মেছিন্দা চে হাপচিন্দুনা টাইফ ফুবা অসি মমিং চৎখি। অতৈ নুংঙাইবা কয়াসু লৈখি, ঙা মরু লৌথোকপা শাবা, হুই পুরগা ৱার্কিং চৎপদা হুইনা মপান থোক্লিংবগী চিংদুনা চৎপগী মওংশিংনি।

ৱা অমত্তা ঙাঙদনা মাইথোংনা, খুৎ-শানা লেঙ-ওৎতুনা উৎপা মখলগী কুম্মৈ অমা ওইরিবা মাইম অসি তম্বগী মওং অসি খরা তোপ তোপ্পী। জগোয়, থাং-তা হৈবা, মশা লেঙ-ওৎপা, থেকপা ঙম্বা মীদদি লায়না থোকই। ঐগ্য তোম্বী হান্না থিয়েটরগী আর্টিষ্ট ওইরকখিবা অতৈ শিনফমশিংদা য়াম্না হৈরকখিবনা মাইমগী আর্টফোমদা চঙলকপদা থোইনা লুনা থোকখিদে। গেনিস বুক্কী রেকোর্ডতা ঐগ্য হঞ্জবম তোম্বীনা মহাক্কী আর্টফোম অসি চন্নবা ১৯৯৫ অইবা চে থাদুনা কন্না হোৎনজখি। মহাকপু খঙবীবা মীগী মশীংসু নোংমা নোংমগী হন্থরক্লি। মশাগী চহী মরিফু হেল্লক্তুনা ঙসিদি হৌখিবা পূন্সিগী কূম্মৈশিংবু হঙ্গৎনা নীংশিংজদুনা পূন্সি লেল্লি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

## মী কয়া হাৎলে?

নহান্দু য়াম্না শাই, কালেন থা হায়দু চঙলমাল্লে। দেল্লিদগদি হৌজিকসি নুংথিল মপান থোকপা ঙম্নদে হায়নৈ। ঐখোয় শ্বাইদসু মমাঙঙৈ শারমদবা চাংদা শাবা চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি। মঙাল উতি থোংবদু ফজনা লৌখৎলগা টি ভি ঙাইহাক য়েংবদু শুম উইথরক শুম উইথরক অদুম তূমশিল্লে। ঐনা মীকপ থোক্তুনা হৌগৎলকপদু ফনা থেংঙে। নুংথিল পুং ৪ তারমদৌরে। ইশাসি ইমোন মোন্থৈ ঙাইহাক চখোক্লুগে হায়না থোরকই। খোঙনা ফনা শাংনা চৎলে ৱাকিং ওই করি ওই, ৱামন্দনা হোটেল অমদা চা অমা থক্কে হায়না ঙাইহাক চঙলগা ফল্লুই। মী পংয়াম য়াম্না ফল্লমদে, হোটেল মপূদা চা অমা হায়খি। চা পুথোরকই, ঐগী তুংদা থারিবা ফান্দুদা নহা অনীখকসু চা থক্তুনা ফল্লম্মী। চাদু থক্কে হায়না পায়খৎলগা চিনবান ময়া য়ৌরমদাইদা তুংগী নহা অনীদু ৱারী হৌরকই।

“ইতাও নঙ মী কয়া হাৎলে?”

ঐ শ্বাই লাউই। করি ৱানোনে সিবো, খল্লি। চা থক্কে হায়না চিনবান য়ৌরগা হাইফেৎ চিংলুবা চাদু থোক হায়। উহু-উহু খুরগা চিংশিল্লুরবা চাদু মাঙদা পুমচাই চাই। ঐ খূৎনা চিন্দু তৈথোক্লগা চাদু অমুক চিংগে তৌই।

“হৌজিক ফাওবদা ঐ মীসি তরুক্কুম্বদি হাৎলম্মনি” নহা অমনা থোক খুন্নকই।

ঐ চা থকপা ঙমদ্রে। ইশাসি পাখৎপোই করিবোই কৈনোমা তৌরক্লে। তুং হল্লগা ফল্লিবশিংদু কনা কনানো হায়না য়াম্না খঙনীংখৎলকই। অদুবু য়েংবদি ঙমদে। কিবসু ফাওই, করি খনখিনি খল্লি, হৈৎ করিগী য়েংলিবনো হায়না বাক লাউনা তৌরক্লদি ঐ কনবিনবা লৈরোই খল্লুবদা য়েংবদি য়েংদ্রে। তুমিন ফল্লগা থক্কে তৌরুরবা চা গ্লাসতু পায়রগা লৈ লৈদুনা শান্নে। নহাশিংদুদি ৱারী মখা চত্থরি।

“নহানসু লৈশাবী অমা হাৎখ্রবনি”।

ঐনা খল্লিবনা নহান্দা লৈশাবী অমা শিদুনা শরূ পোলাং ওইনা তাদুনা লৈরম্মী হায়নবদু মানা হাৎলিজাৎলা খল্লি, খনবৈ ৱানি লেংবফাও কিরবনি ইশাসে। নহা অমনা কৈসু থৌ-ৱা শাদনা নোকথোক্লগা মখা হংই।

“হা হা হা!! করম্বনো হন্দক নৌনা খঙনবদুরা, কমাই হাৎলিনো?’

“চরম মেৎপগা চপ মান্নৈদা, অদুম শিরম্মনি, ঐ হন্না য়েংদ্রে কোথোক্লল্লগা তুমিন লৈরিসিনি”

“ইতাও নঙ হেনদি হেনমল্লবনিহে, নঙনা অদুমাই তৌদনা হাৎলিসি ফনদি য়াম্মে। নঙগা থিকা তৌমিন্নরম্বা অমসু হাৎতোকপীখ্রে, মাগী নুপীদু হৌজিক অঙাওবীগা চপ মান্নরে?

“হাৎত্রদি কৈনো, ঐগী অপাম্বা ফংদ্রদি হাৎ তাবা? ঐঙোন্দা মুকপদি য়ারোই। ফজনা হায়নবদা য়াদ্রদি থোক থোক হাৎতোকপা, সিনা ৱাই শংই।”

“ইস! কৈনোনে মী হাৎতোকপনা ৱাই শংই হায়রিসিবু...’ ঐ কোকসি উরু-রু ঙাওরকই। ইশাসি কিবা সুম হেনজিল্লকই, মিটর থাল্লগা য়েংলদি শোয়দনা নিক্লম্মনি। ইশাগী শ্বর ফাওবা হোল্লিব্রা হোন্দ্রব্রা, অদুফাও ঐ হায়বা ঙমদ্রে। চাদুসু মনিল কারম্বদগী ফম্বু ফমজিল্লক্কদৌরম্মনি, কদাইদগী, মতাংদুদা চাগা নীংশিংবা গাইয়ে। ঐনা খল্লিনা কনাগুম্বা মী অমতা লাল্লকদি, ঐ ‘শিদবা মপূ’ হায়না তুমিন হৌগৎলগা থোকখ্রগে সিনি। মীসু অমত্তা লাক্তে।

“ও কে! লৈশাবী অমা হাৎলিদু কমাই তৌরিনো অমুক্তা হায়যু তাগে?”

“হেরা হন্দক ফেসবুক্তা অনৌবা মশক য়াম ফজবা অমা খঙনরে, অদুগা চৎমিন্নবদু সনারৈনা উথোকখ্রে, নঙ খঙইদুনি, সনারৈদুদি ঐগা অরোইবী থাদনা নুংশিনরম্মীদনা, নুংশিবগী অরোইবী থাক য়ৌনখ্রেদনা, অদুদা মাদি মথৱায়দু চাক্তনা তূম্বা চাব অমত্তা খঙদ্রজাৎনি। নহান অহিং নোংঙাল্লমদাইদা ফোনসি কৈনোনে পংতৌদা তৌশিল্লকপনি। ঐ ফনা কুইনা তন্দনা পাইদে”?

“ও নঙ মাবু পুরা হাৎলগে খল্লে”?

“খল্লে, অদুবু মতম খরা খম থেংনা লোইনরম্বনিনা নুংঙাইতদনা পাইরে। অশ! অদুদা মানা কপ্পসি কপ্পসি, ইতাও ঐসি কপঙাঙ ঙাঙবসি কয়াসু তাবা হৈনদে, অদুনা ঈ কাখিদনা থিনা হেক্তা চৈথবনি। ঙসিদগী টেলিফোন অমুক হন্না তৌরক্কনু, নঙগা ঐগা কায়নরে সিনিসে”

“অদুদা মাদি করি হায়?”

“হায়বাইবু, মদু তৌবিনু ঐসি নঙগী ওইখ্রবনি সিনিসে, ফনা য়াম্না হায়জৈ ফোন থমখিনু হায়না, ঐনা তানীংদদনা পৎ লাউনা থদৎপনি।

“অদুম হাৎলে”

“হাৎলে”

ঐ শ্বর হোন্দোক্লে, “হেরা ঐদি মখৌরিগা মেৎলগা হাৎলব্রা হায়বু নপা য়ান্নীমচাশিংসিদি, অসিবু ৱানেনা” ঐগী চা গ্লাসতু য়েংলুবদদি পুমইং ঈং লৈরম্মে, হোটেল মপূদা ওনশিল্লগা চা অমগা কৌখ্রে।

নহা অমদুনা মখা তাই।

“নঙসিসু বেরাদি বেরানিহে, নঙনা শেল পুথোকমিন্নদুনা থিকা তৌমিন্নরম্বদুসু বিল ফংকান্দা নঙনা ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা হেক্তা শেল হাৎতোকপী, মাগী নুপীদুদি মীগী শেলনা মখ্বাং কোয়দনা হৌজিক অঙাওবীগা চপ মান্নরেদনা, মদু ফত্তি ফত্তবনিকো”

“কান্নদে ইতাও, হৌজিক্কী মতমসিদদি মীগী মমিৎতো কোৎথোক্লগা ঐঙোন্দা পানশিল্লু হায়বা মতমদুনি। ঙম্ন-ঙম্নবা তৌবা তাবনি। কান্নদে, চৎসি, ঐ চাগী শেল পীরম্মগে”

মখোয় অনী হৌগৎলগা থোকখি। ঐদি তাপ তাখৈ কিরুরগা, হৌজিক্তদা ইকায়রকই। হৌজিক্কানগী অঙাংশিংসি অঙকপনি, ঐদি মীহাৎপনেনা কয়া কিরুরে অদুগদি কোট লেঙ্গোইজদা ঙাঙনবা ওইরম্মেদনা। হোটেল মপূনা পীরকপা চাদু পায়খৎতুনা মহাও লৈনা চিং চিংদুনা থক্ল-থক্লগা সুম নোকনীংই।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## হৱাইজারগী ৱাথোক

নিংথমথা য়ৌরক্লবদি মণিপুরদা চাক এঙ্খাং য়াম্না হাওরে। শরেং-ঙারেল, হঙ্গাম থোংবা, য়োংচাক শিংজু, পানগা থাংজিংগা ইরোনবা, হৱাইজার মেৎপা অসুক হাওবা এঙ্খাংদি অতোপ্পা লৈবাক্তা ফংলমগদবা মান্দে। মহাও খেন্নবগী ৱানি, অতোপ-অতোপ্পা লম লমগীসু মাগী মাগী থৱায়না তাজবা এঙ্খাং লৈরিবনি। টামিল নাদুগী শম্বার, রশম, কেরলাগী ঊমংগ্রাগী এঙ্খাং, বেঙ্গলগী রৌ থোংবা মমিং চৎলিবনি। হৱা-নুংশিৎ খেন্নবগীরা, লৈবাক লৈহাও খেন্নবগীরা, মণিপুরদদি নিংথমথাগী মতমদা চারিমখৈ পংহাওদা হাওই।

ইংখ্রবা নিংথমথাগী মতমদা অয়ূক ঙন্তা হৌগৎতুনা ইরু মায়থজদুনা মায়দা চন্দন চৱা থিন্দুনা, তরু তনানবা মুগা ফনেক অমা শেৎ, মুগা ফি অমা ইন, থৌরানি পিশকমচানা লা লাতোন্না নিংথিজনা য়োল্লবা হৱাইজার ময়োম ১০-২০ লোম অঙৌবা ফি অমনা য়োমশিন্দুনা লৈকায়গী য়ূমথোং থুংনা হৱাইজার য়োনবা কোয়না চৎলি। নোংমাইজিং খুদিংগী থৌরাংনি পিশকমচাখোয় লৈকায়দা লৈবা তোম্পোকখোয় য়ূমদা হৱাইজার ময়োম অনীদি শরুক থুংদবা য়াদে। থৌরানি পিশকমচানা চুমদ্রিং তোম্পোক খোয় চাকখুম তান্না চঙখ্রগা হৱাইজার ময়োম অনী থনল্লগা থোরকই। তোম্পোক্ল া মাগী ফুরিৎ খাউদগী লুপা তরা চৎপী অনী লৌথোক্লগা থৌরানিদা পীরম্মী। থৌরানি পিশকমচাগী তনৌরবী খূৎ অদুনা শেল অদু লৌরগা চৎখিরম্মী। চৎলমদাইদা থৌরানিগী তঙাংলবী চিনবান অদুনা নোকফেৎ তৌরগা কোয়রাওনবী মিৎস্না অনী অদুনা তোমপোক্তা ফল্লক য়েংলল্লগা চৎখি। তোম্পোক্লা মাঙ্গোল মচিদা লেপ্তুনা পিশকমচানা চৎখিবা মায়কৈ অদুদা মমিৎ কুপ্তনা য়েংদুনা লৈহৌই। তোম্পোক্কী থম্মোয়দা পিশকমচাবু নুংশিবা অমদি ফাওবা জাৎনি।

তোম্পোক্কী লোয়নবী তমুবী ইচম চম্বী নত্তে। মীগী মীরৌ খম থেংনা খঙবী নুপীনি। মাগী নুপানা চৎলিবা শাজৎ-লিচৎ ঙম্না থেক থেক্লা খঙবা নুপীনি। মাগী নুপানা পিশকমচাদা য়েংলিবা মীৎয়েং, ৱাঙাঙ শঙাঙ অদুনা মরম ওইরগা তমুবীনা পিশকমচানা তোয়না লাকপসি লাকহন্নীংদে। মরাল লৈজদবা পিশকমচাবু থম্মোয়নুংদা য়াম্না ৱারৌই। চুং ফিরাল চানা, শিদ্রা লৈতনা ফজবী পিশকমচাগী মুর্ত্তিদুনসু ওইরম্বা য়াই। নুপী ওইবীগী ৱাখলসিসু মওং অমনি। করিসু লৈতবা ৱাফম অমদা হকচিন্না পংখন খঞ্জিনবা য়াওদবা নত্তে। পিশকমচানা তোয়না লাকপসিদা নোংমদি তমুবীনা খাঙবা ঙম্মকত্রদুনা মাগী নুপাদা খৎনবা হৌরম্মী।

- ইন্থোক্লসু চাজনীংখ্রবা হায়বদুনি। পিশকমচাগী হৱাইজার চাদ্রবদি য়াদদৌনা হেক তৌরদনা। মাগী পিশকমচা হায়বীদো ইন্থোক্লা তৌঙম্বী নুপীনি। মানা হৱাইজার পুশিন্নরক্লগা ঙহাক লৈতা কাইহৌরিবা য়াব্রা? মতু মচা লৈরবা নুপা অমদা মানা চৎচ-শারিবা অদু য়েংবদা তীল হৌই। খঙদবোই নীংব্রা নখোয় অনীগী মিৎয়েং-নায়েং, ৱাঙাং শাঙাঙ। হে সৈত্যা হন্দক্তি মা লাক্ত-লাকসনু, তমুবী ঐগী ইতিক খঙহনগে? ঐবু ফত্তে হায়গনু, য়ূম অসিদা মা খোঙ্গুল তাহনবা য়াবা জাৎ নত্তে।

তমুবীগী মতৌদা, তোম্পোক করিমত্তা খুমজবা ঙমজদে, তিঙক-মায়ঙক্লা য়েংজবা নত্তনা। তোম্পোক্কী মপূক্লিংদা খঞ্জৈ করম্বা পিশকমচাগী মরাল লৈদুনা তমুবীনা মাবু ৱারৌরিবা! নোংমতসু মাগা ফমিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাখিদ্রি। ইচম-চমজবী নুপীনি। মাগী অশেংবা ৱারী তারবদি, তমুবী শোয়দনা নীংঙমলোই। পিশকমচাগী অশেংবা মরী মখোং খঙজদবনা তমুবীনা ৱারৌরিবনি। নোংমা মাগী অশেংবা ৱারী খঙলক্লগা ৱাখল তাজরক্কনি। পিশকমচাবু শাওবা ফজখিনি।

নোংমা ইথা থাজদনা থৌরানি পিশকমচানা থনম্বা হৱাইজার ময়োম অদু চাকখুম ময়ায়দা ইচায় চায়না লৈরম্বা থেংনরম্মী। তোম্পোক মপূক্লিংদা শাওবগী মহুৎতা নোকচৈ। য়াম্না ঈংনা, তপ্না তোম্পোক্লা মাগী নুপী তমুবীদা ৱারী লীখি।

পিশকমচা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুংদা, ইমুং মনুং পুবা ঙম্ননবা হৱাইজার খরা খরা য়োন্দুনা হিংননবা হোৎনরিবনি। মাগী মচানুপী পিশক অমগা মনেমবোক্লা মখোয় অহুমতনি লৈরিবা হায়ববু। মাগী ইমুং মনুংগী লৈত-লায়র অসিদা ঐখোয়না করিমত্তা মতেং পাঙবা ঙমদ্রি। অৱা অনা লৈত-লায়রগী অঙম্বা মতেং খরদং ওইরবসু পাঙবীবা হায়বসে মীওইবগী ধর্ম্মনি। লাইনসু মীনসু য়াবা থবকনি। ঐখোয়না মাগীদমক হৱাইজার ময়োম অমা অনী লৌবিদুনা লুপা ১০/২০দং মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন্দা পীবিবা অসি থোইনা কায়দবরা খল্লি। ঐ নুপী অঙাং লৈরবা মীশকনি। অদুগীসু মথক্তা নঙবু খ্বাইদগী পামজনা, নুংশিনা লৌখিবনি। ঙসি ফাওবদা নঙনা য়াদবা থবক অমত্তা তৌখিদ্রি, তৌগেসু খন্দে। ফরে নঙনা নথৱাইনা য়ানীংদ্রবনিনা পিশকমচাদগী হৱাইজার লৌদ্রবসু কায়দে।

হাপ্তা ২-৩ শুরে থৌরানি পিশকমচানা হৱাইজার পুরকখিদবা। পিশকমচানা লাকখিদবসি তমুবীদদি য়াম্না নুংঙাইজরমগনি। মতম খরা তোম্পোক অমদি তমুবী পিশকমচাগী মরমদা ৱা-লান ঙাঙন-শক্লখিদ্রে।

নোংমা অয়ূক অমদা পিল্লিবী নুপীমচা অমনা হৱাইজার ময়োম অনীখক পুরগা তমুবীদা হায়রম্মী - নেনে, নেনে নখোয়গী হৱাইজার ময়োম অনীখক পুরক্লি, লৌহৌগদ্রা? থনম্মু হায়ব্রা? পিল্লিবী নুপীমচাদুগী মতৌ অদু উবদা কদোমদগীনো খঙহৌদে তমুবীগী মমিৎ অনী অদু পিনা পুমথুম থুমহৎখ্রে, খোল নিক্লপ তৌনা ইবেম্মা থনম্মু থনম্মু। কৈদৌরে নখোয় ইমাদি? ইমাদো থা অমরোম শুরে ফমুংদগী হৌগৎতবা। ইমাগী হীদাক লৈননবা অবোক্লা হৱাইজার লোল্লগা ঐনা য়োনবা চৎলিবনি।

তমুবীগী মমিৎ অনীদগী অতৎ-অখম লৈতনা পিরাং শিন্থরকখি। লম্ফৈ অমদা চৎলুরবা তমুবীগী ৱাখল অদু হৌজিক্তদা চুল্লক্লি। পিশকমচাগী চমজরবী মহৌশাগী হৈনজবী মিনোক অদুদা কয়াদা লুনা খল্লুরবা! নুপী ওইবীনা নুপী ওইবীগী অৱা মৈচাক অসি উশিনবা, খঙজিনবা হেনজিল্লি। তমুবীনা লুপা ১০০ চৎপী অমা লৌথোক্লগা সে পৈশা অসি লৌশিল্লু, নেনেনা নঙগী নমা নাবগী হীদাক লৈবদা মতেং ওইনবা পীবনি, হৱাইগী মমল নত্তে। সে লুপা ২০ অসিনা হৱাইগী মমলনি লৌশিল্লু। নুপীমচা অদুনা তমুবীদা মমিৎ কুপ্তুনা ঙহাক য়েংদুনা লৈরম্মী। মাগী নৌরবী মখূৎ মচা অদুনা তমুবীগী মখূৎতগী পৈশা অদু লৌরগা তপ্না তপ্না য়ূম অদুদগী থোকখিরম্মী। নীংবা কায়না তমুবীনা মাঙ্গোলগী উখোংদা ঙাথদুনা নুপীমচা অদুনা চৎখিবা মায়কৈরোমদা মমিৎ কুপ্তুনা য়েংদুনা লৈহৌই।

*- দিম্ভাজিৎ*